কেরেলা গভর্ণমেন্টনা থাওগী মমল হন্থদনবা ৱারেপ লৌখ্রে কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

থিরুভানান্তপুরম, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): সেন্টরনা দিৱালিগী খুদোল ওইনা থাওগী দ্যুটি হন্থহনখ্রবা মতুংসিদা কেরেলাদদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পেট্রোলিয়ম পোথোকশিংগী টেক্সশিংগী মমল হন্থদনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

সেন্টরনা শগোলশেন নুমিৎতগী পেট্রোলগী দ্যুটি লিটরদা লুপা ৫ হন্থরগনি অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ১০ হন্থরগনি হায়না লাউথোরকপদগী ষ্টেট কয়ানা পেট্রোল অমসুং দিজলগী রেট হন্থহল্লবসু কেরেলানা মখা তানা দ্যুটি হন্থদনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পেট্রোলিয়ম পোথোকশিংগী টেক্স হন্থহনবা তৌরোই হায়না কেরেলাগী ফাইনান্স মিনিষ্টর জে এন বালাগোপালনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথরগনি হায়না বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্টশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

সেন্টরনা দ্যুটি হন্থহনবদগী পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ১২.২৭ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬.৩০ ফাওবা হন্থরকখি। ষ্টেট অসিদা পেট্রোল লিটর অমগী এভরেজ মমল লুপা ১০৩.৮০নি অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৯১.৫৯নি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা বালাগোপালনা হায়খি, সেন্টরনা য়াম্না মিনিমম রেটতা দ্যুটি হন্থহনবনি, তৌইগুম্বসুং ষ্টেট অসিনা হৌজিক শেল-থুমগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্লদুনা লৈবনা ঐখোয়না মমল হন্থহল্লোই। সেন্টরনা তৌরিবসিদি ফুরিৎখাও চপ্পা মীগী থৌওংনি। মীওই অমগী ফুরিৎখাও চপ্পগা বস ভারা পীবগী মওংনি। কেরেলানা হৌজিক শেল-থুমগী অরুবা তানফম অমা মায়োক্লবনা ঐখোয়না দ্যুটি হন্থহনবা ঙল্লোই।

ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে সুধাকারননা হায়খি, সেন্টরগী ৱারেপ অসি খরা থেংলবসু ঐখোয়না তরাম্না ওকই। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ৱার্নিং তৌরি। করিগুম্বা মখোয়না সেন্টরগী খোঙথাংগা চাননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎলক্তবা তারবদি অকনবা প্রোটেষ্ট চথগনি। থাওগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না প্রোটেষ্ট তৌরক্লিবসি সেন্টরগী মায়োক্তনি। করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মমল হন্থনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলক্ত্রবদি অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথরগনি।

ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট কে সুরেন্দ্রননা হায়, থাওগী মমল হেনগৎপগী মতাংদা কেরেলা গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা মরাল থংজিন্দুনা লাক্লি। হৌজিক্তা সেন্টরনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎখ্রবনিনা কেরেলা গভর্ণমেন্টনসু মান্নবা খোঙথাং লৌখৎফম থোকই।

ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মমাঙদা হায়খিবা ৱা ঙাক্কদবনি। মমাঙদা মহাক্না করিগুম্বা সেন্টরনা হন্থরবদি ষ্টেটনসু হন্থগনি হায়খি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মমল হন্থহন্দবা তারবদি ঐখোয়না তূমিন্না লৈরোই। ঐখোয় অচৌবা প্রোটেষ্ট চথগনি।

ইন্দিয়াগী টিনেজর অহুম ইন্টরনেসনল চিলড্রেন'স পীছ প্রাইজ শোর্ট লিষ্টতা য়াওরে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী টিনেজর অহুম চহী অসিগী ইন্টরনেসনল চিলড্রেন'স পীছ (আই সী পি) প্রাইজগা মরী লৈননা শোর্ট লিষ্ট তৌরে হায়না সাওথ অফ্রিকাগী আর্চবিশোপ দেসমোন্দ টুটুনা শগোলশেন নুমিৎতা কিদসরাইটস ফাওন্দেসনগী মহুৎ শিল্লদুনা লাউথোকখ্রে।

টিনেজর অহুম অদু অমনা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা নুপামচা অমনি অমসুং অনী অমনা মচিন-মনাও নুপা অনীনি। কেরেলাদগী মশাগী চহী ১৫ শুরবা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মোহম্মদ অসিম কৌবা নুপামচা অসিনা মহাক্কুম্বগী হকচাংগী ফিভম চেনবা মালেমগী পূম্বগী নহা ওইরিবা মীওইশিংদা মখা তানা মহৈ-মশিং তম্মিংবগী ৱাখল পোকহল্লি।

খৃষ্টিনা আদেনগী মমা-মপা ইথিওপিয়নশিংনি। নুপীমচা অসি নেদরলেন্দসতা পোক্লগা হৌজিক য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈরি। ফুদ ইনজষ্টিস থেংনবদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মশাগী চহী ১৭ শুরবা বিহান অমসুং মশাগী চহী ১৪দা ঙাইরিবা নভ অগরৱাল দিল্লিদগী মচিন-মনাও অনীনি। মখোয়না পোল্যুসন হন্থহন্নবগী পান্দমদা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাকখি।

মালেম পূম্বনা সী ও পি২৬ ক্লাইমেট চেঞ্জ কনফরেন্সতা মীৎয়েং থম্নরিঙৈদা মখোয়বু চিলড্রেন'স পীছ প্রাইজ অসিগীদমক শোর্ট লিষ্ট তৌখিবনি। ফাইনেলিষ্ট অহুম অসি এক্সপর্টশিংগী পেনেল অমনা লৈবাক ৩৯গী নোমিনী ১৬৯দগী শোর্ট লিষ্ট তৌখিবনি।

ফাইনেলিষ্টশিং অদুবু লাউথোক্লদুনা আই সী পি প্রাইজগী পেট্রোন আর্চবিশোপ দেসমোন্দ টুটুনা হায়খি, চহী অসিগী ফাইনেলিষ্টশিং অসি ঐহাক্না চহী ১৩ ইন্টরনেসনল চিলড্রেন'স পীছ প্রাইজগী পেট্রোন ওইরকপদা থেংনরকখিবশিংগা মান্ননা মতিক চাবশিংনি।

চহী অসিগী ফাইনেলিষ্টশিংগী মরক্তা মালেমগী মফম পূম্নমক্তগী নহা ওইরিবা মীওই মখল শুনা য়াওরি। নহাশিং অসিনা মখোয়গী ভেল্যুশিং অমসুং মখোয়গী পূক্নিংগী ফিরেপ উৎতুনা মালেম পূম্বদা অতৈ মীওইশিংগী রাইটশিং ইমপ্রুভ তৌনবা অঙাংশিংনসু মহৈ য়ান্না কেম্পেন তৌবা ঙম্মী হায়বসি উৎলি। হাইব্রিদ সেরিমোনি অদু হেগতা লৈবা হোল ওফ নাইটসতা নভেম্বর ১৩দা পাঙথোক্কনি অমসুং মালেম পূম্বগী ওদেন্সতা ৱিন্নর অদুগী মেসেজ য়ৌনবা লাইভ ষ্ট্রিম তৌগনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা কোভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে হেল্থ মিনিষ্টরনা সাইন্টিষ্টশিং থাগৎখ্রে

ZIKA virus
ZIKA virus
ZIKA

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা পুথোকপা ইন্দিজিনস ভেক্সিন ওইরিবা কোভেক্সিন য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না এপ্রুভ তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লায়ওংশিংগী মায়োক্তা চাদা ৭৮.৮ ইফেক্টিভ ওই হায়না উৎখ্রবা ভারত বাইওটেককী কোভিদ ভেক্সিন কোভেক্সিনবু দব্লিয়ু ঐচ ওগী টেক্নিকেল এদভাইজরি গ্রুপ (টি এ জি)না ইমর্জেন্সি য়ুজ লিষ্টিং (ঈ য়ু এল) এপ্রুভেল পীখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা দব্লিয়ু ঐচ ওনা ত্বিট অমদা হায়, কোভেক্সিন হায়রিবা ভেক্সিন অসি কোভিদ পেন্দমিক্কী মায়োক্তা শীজিন্নবদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী ষ্টেন্দর্দশিং থুংহনবা ঙম্মী অমসুং ভেক্সিন অসিগী কান্নবনা মসিবু শীজিন্নবদা থেংনবা রিস্কশিংদগী য়াম্না হেল্লি। অদুনা ভেক্সিন অসি শীজিন্নবা য়াই।

গ্লোবেল হেল্থ বোদি অসিনা মখা তানা হায়, কোভেক্সিন ভেক্সিন অসি দব্লিয়ু ঐচ ওগী ষ্ট্রেটেজিক এদভাইজরি গ্রুপ ওফ এক্সপর্ট ওন ইম্যুনাইজেসন (সেজ)নসু রিভিয়ু তৌখি অমসুং ভেক্সিন অসিবু দোজ অনী থোক্না শীজিন্ননবা রেকম্মেন্দ তৌখি।

দোজ অনীগী মরক্তা চয়োল মরিগী ইন্টরভেল লৈগদবনি অমসুং ভেক্সিন অসি চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওই গ্রুপশিংদা শীজিন্নগদবনি। ভারত বাইওটেকনা ইন্দিয়ান কাওন্সিল ওফ মেদিকেল রিছর্স (আই সী এম আর) অমসুং নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি), পুনেগা খূৎশম্নরগা পুথোকপা কোভেক্সিন অসি ভিরিওন-ইনএক্টিভেটেদ ভেক্সিন অমনি।

ভারত বাইওটেকনা হায়, দব্লিয়ু ঐচ ওনা অয়াবা পীরকখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাকশিংনা কোভেক্সিন ইম্পোর্ট তৌনবা অমসুং শীজিন্নবগী রেগ্যুলটরি প্রোসেসিং য়াঙশিনবা য়ারগনি। মসিদা নত্তনা য়ুনিসেফ, পান-অমেরিকান হেল্থ ওর্গনাইজেসন (পাহো), গাভি কোভেক্স ফেসিলিটিনা মালেমগী শীন-থুংনা য়েন্থোক্লবা কোভেক্সিন লৌবা য়ারগনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা এম পি শারগা কম্পেন্সেসন ক্লেম তৌরম্বদগী থিজিন্নবা খঙহনখ্রে

মীরুট, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): লম্বী পাকথোকপগী প্রোজেক্ট অমগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা লৌশিনখিবা ভিঘা ৮০ পাক-চাউবা লমগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম লুপা ক্রোর ১ ক্লেম তৌনবগীদমক নুপা অমনা লৈখিদ্রবা এম পি অমা শাবগা লোয়ননা শেমজিন-শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌরম্বগী মতাংদা থীজিন্নবা প্রোব অমা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

নুপা অদুনা কুমজা ২০১৩দা লৈখিদ্রবা জনতা পার্টিগী টর্ম অনীরক রাজ্য সভা এম পি ওইখ্রবা প্রেম মনোহর শারগা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (এ দি এম)গী ওফিসতা লম এক্কিজিসনগী কম্পেন্সেসন তান্নবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌরম্বনি।

য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি মীওই অদু টেহ্সিলদারশিং অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা এটেচ তৌবা দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরমখি। মেটর অসি এদমিনিষ্ট্রেসননা লুপা লাক্ষ ১৮গী চ্যেক অমা রিলীজ তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মীওই অমনা ওফিসলশিংদা প্রেম মনোহর লৈখিদ্রে হায়না ইনফোর্ম তৌরকপদগী খঙলকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কে বালাজিনা মেটর অসিগী মতাংদা প্রোব ওর্দর তৌখ্রে।

মনোহরগী মচানুপাশিংনসু মখোয়গী মপা ২০১৩দা লৈখিদ্রে হায়বসি কনফর্ম তৌখি অমসুং লৈখিদ্রবা মখোয়গী মপা শারগা কম্পেন্সেসনা ক্লেম তৌরমগনি হায়বসি মখোয়না খনবদা খনফম খঙদ্রি হায়খি।

মনোহর উত্তর প্রদেশতগী থাগৎপা রাজ্য সভাগী এম পি অমা ওইখি। মহাক টর্ম অনী হায়বদি কুমজা ১৯৬৮দগী ১৯৭৪ ফাওবা অমসুং মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৭৭ তগী ১৯৮০ ফাওবা এম পি ওইখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না মহাক্না মীরুটতগী পাওরি য়ৌগদবা নেসনেল হায়ৱে-১১৯গী নাকলদা লৈবা সমসপুর ভিলেজ লৌউ-শিংউগী লম ভিঘা ৮০ লৈখি। ওফিসল অমগী মতুং ইন্না হায়ৱে অসিবু পাকথোকহন্নবগীদমক্তা থা খরগী মমাঙদা এদমিনিষ্ট্রেননা লম এক্কিজিসন থবক হৌখি।

কোভিদ-১৯ মপূং ফানা থেংনবা ঙম্নবা বুষ্টর দোজ কাপ্পবা শেম-শারো: দোক্টরশিং

হয়দরবাদ, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): দোক্টরশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা মরু ওইনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈবা মীওইশিংনা মখোয়বু অনৌবা ভেরিএন্টশিংদগী ঙাকথোকচনবা অমসুং ভাইরস অসিবু মপূং ফানা থেংনবদা মতেং ওইনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী বুষ্টর দোজ অমা কাপ্পনবা ৱাখলনা শেম-শাদুনা লৈগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী মপূং মরৈ ফারবা মীওইশিংবু মপূং ফানা ভেক্সিন কাপ্পনবা লেপ্তুনা ভেক্সিনেসন ড্রাইভ চত্থরিঙৈ অসিদা য়ু এসকুম্বা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ ভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টশিংবু মখা তানা ম্যুটেসন তৌহন্দনবগীদমক বুষ্টর দোজ অমা কাপ্পনবা শেম-শারি।

দোক্টরশিংনা থাজনরিবদি ভাইরস অসিগী অনৌবা ভেরাইটিশিং থোরক্তু্না মীয়ামদা অৱাবা ফিভম কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়বসিনি। মখোয়গী ৱাখলদা লায়না অসিনা নারকপা য়াবগী রিস্ক লৈবা মীওইশিংনা কোরোনাভাইরস মপূং ফানা থেংনবা ঙম্নবা ভেক্সিনগী বুষ্টর দোজ অমা কাপ্পনবা শেম-শাবনা ফৈ হায়না থাজরি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টদিশিংগী মতুং ইন্না ভেক্সিন কাপ্পদগী কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা শাগৎলক্লিবা ইম্যুনিটি মতমগী মতুং ইন্না ময়াই চল্লকপা য়াই। মীয়াম মরক্তা নহা ওইরিবা অমসুং মশা-মঊ ফরিবশিং লায়না অসিগী ইনফেক্সনগী রিস্ক নেল্লবসু রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংনদি লাকপা য়াবা খুদোংথিবা মায়োক্লনবা নীংথিনা শেম শাদুনা লৈগদবনি।

ইন্দিয়াদা মীওই কয়ানা থা তরুক হেনবগী মমাঙদা মখোয়গী অনীশুবা দোজশিং কাপ্পখ্রে। মসিনা হৌজিক মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা এন্টি-বোদি লেভেলশিং নৌনা অমুক য়েংশিনবা য়াবগী মতম ওইরে হায়বসি তাকই।

বৃটেনগী জেদ ও ঈ কোভিদ-১৯ ষ্টদিগী মতুং ইন্না ফাইজরগী কোভিদ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপ্পবা মতুং থা খরা লৈরগা ভেক্সিন অসিগী ইফেক্টিভ ওইবগী চাং থা তরুক্কী মনুংদা চাদা ৮৮দগী চাদা ৭৪দা হন্থরকই হায়বসি খঙবা ঙমখি। অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন কাপ্পবা মীওইশিংদদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং অদু হায়রিবা মতম অসিদা চাদা ৭৭ ওইরম্বদগী চাদা ৬৭তা হন্থরকখি।

হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিং অসি লায়না অসিগী ফিভম শাথিরকপা, হোস্পিটলাইজেসন নৎত্রগা শিবা নাবগী মায়োক্তা ফাওবা প্রোটেক্সন পীবা ঙম্মী হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ইভিদেন্সনা উৎলি। ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংদা তশুবা দোজ অমা অমুক শোয়দনা কাপকদবনি হায়না থাজবা য়াবা অকনবা ইভিদেন্স লৈত্রবসু মীয়াম্না মরু ওইনা লায়না অসিগী রিস্ক লৈবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহুমশুবা দোজ অমা কাপ্পবা ৱাখলনা শেম-শাদুনা লৈবদা মরম চাই হায়না ঐচ এল জি হোস্পিটালগী ইন্টরনেল মেদিসিনগী ঐচ ও দি ডা. অরাথি বেল্লরিনা ফোঙদোকখি।

কন্ট্রেক্ট কিল্লর ২গী মনুংদা ১ ফারে

বিজনোর, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী বিজনোরদা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা লেকচরর অমা হাৎনবা নেকপা কন্ট্রেক্ট কিল্লর অনীগী মনুংদা অমা পুলিসনা ফারে। প্রিয়া শর্ম্মা কৌবা লেকচরর অদু নুমিৎ মঙানিগী মমাঙদা হাৎখ্রবনি।

ঙাইহাক খূৎ থোক্লরবা মতুংদা ফাখিবা সার্পসুট্টর অদু রাজা সিংহ কৌই হায়বা খঙলে। মহাকপু মতেং পাংদুনা থবক তৌখিবা গোলু পুলিসতগী নাম্থোকখি। লোৎখ্রবা ক্রিমিনেল অদুগী পাউ পীবা মীওইদা রিৱার্দ লুপা ২৫,০০০ পীরগনি হায়না পুলিসনা লাউথোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না ক্রিমিনেল অনী অদু নুপী অদুগী মপুরোয়বনা লুপা লাখ ৫.৫ দা নেকখিবনি। প্রিয়াগী মপুরোইবা কমল শর্ম্মাসু লোৎখ্রে। মহাকসু মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা বুক তৌরে। মতৈ-মনাওগী মরক্তা য়ূম পানবগা মরী লৈনবা য়েংনবা খরনা মরম ওইদুনা ক্রাইম অদু চথখিবা ওইবা য়াই হায়রি।

লাম্মীশিংগা দিৱালি সেলেব্রেসন তৌখ্রে

জম্মু, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শগোলশেন নুমিৎতা জে এন্দ কেগী রাজৌ দিষ্ট্রিক্টতা লাম্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালি কুম্মৈ সেলেব্রেসন তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না মফম অদুদা ইন্দিয়ান ক্রোর ১৩০গী দিৱালি ৱিশেস পুদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা বৃগেদিয়র ওসমান, নাইক জাদুনাথ সিংহ, লেফ্টনেন্ট আর আর রানে অমসুং অতৈ আর্মি ওফিসর কয়াগা লোয়ননা নাওসেরাগী হিরোশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না মফম অদুদা ইন্দিয়ান ক্রোর ১৩০গী দিৱালি ৱিশেসশিং পুদুনা লাকপনি হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি ইন্দিয়াদা ঙসি ঐখোয়না লৈবাক অসিগী কেপেবলিটিশিং অমসুং রিসোর্ছশিংগী মরমদা ৱাখল তাবা অমসুং মীকূপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তাই।

ভি এ টি হন্থদবগী মতাংদা বি জে পিনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট কয়ানা পেট্রোল অমসুং দিজলগী দ্যুটিশিং হন্থহনখ্রবসু ওপোজিসননা পানবা ষ্টেটশিংনা ভি এ টি হন্থহন্দবগী থৌওংবু শগোলশেন নুমিৎতা বি জে পি না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্থোসনা ত্বিটর পোষ্টকী খূৎথাংদা হায়, মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা ৱাখল-লৌশিং পীদুনা লাকখিবা ওপোজিসন লুচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি হন্থহনখ্রবা মতুংদা থাওগী মমল হন্থনবা খোঙথাংশিং লৌখৎতনা লৈরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হন্থহনখ্রবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাল্লিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টশিংনা মখা তানা দ্যুটি হেন্না হন্থহন্দুনা মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎনখি। থবক পাঙথোকপা মতম লাক্লবসিদা ওপোজিসননা তূমিন্না লৈরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী ষ্টেট লেভিশিং হন্থহনগদ্রা হায়না হংবদা বি জে পি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কো-ইনচার্জ অমিত মালভিয়ানা হায়খি, থাওগী মমল হেনগৎপগী চৈ থাংদুনা ঙাঙখিবা মমতা বেনর্জিনা হৌখিবা চহী অমগী মতমদা পেট্রোল অমসুং দিজল অনিমক্কী মমলশিং খঙহেন হেনগৎহনখি। অমরোমদা, মতম অসিদা সেন্টরনা অদুম্না হেনগৎহনখিবা লৈতে। হৌজিক সেন্টরনা এক্সাইজহন্থহল্লে। অদুনা মমতাদা হংনিংলিবদি মহাকসু ষ্টেট লেভিশিং হন্থহন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা দিপাৱালি কুম্মৈ নুংঙাইহনগদ্রা হায়বসিনি।

মৈ চাকপদা ইমুংগী মীওই মরি শিরে

ভাদোহি, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্কিটনা মরম ওইদুনা য়ূম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী মদুদা লৈবা ইমুং অদুগী মীওই মরি শিরে অমসুং নুপীমচা অনীনা ফিভম থিনা শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অদু শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা ভাদোহি দিষ্ট্রিক্টকী গোপিগঞ্জদা থোকখিবনি। ইমুং অদুগী মীওইশিং মোহম্মদ অস্লম (৬৫), মহাক্কী লোয়নবী শকীলা সিদ্ধিখি (৬২), মখোয়গী মশুনুপী তশকিয়া (১০), মচানুপীশিং তসলিম অমসুং অলভিরা (অনীমক ১২) অমসুং রানাউক (২০)না অহুমশুবা ফ্লোরগী টিন সেদতা তুমদুনা লৈরিঙৈদা য়ূমদু মৈ চাক্লকপনি।

শকীলা অমসুং মোহম্মদ অসলাম মফমদুদা শিখি অমসুং তশকিয়া অমসুং অলভিরানা ট্রিটমেন্ট চত্থরিঙৈদা শিখি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. অনিল কুমার অমসুং সর্কল ওফিসর গ্যানপুর-অশোক কুমার মফম অদুদা পুলিস ফোর্স অমগা লোয়ননা লাকখি অমসুং রেস্ক্যুগী থবক য়েংশিনখি।

অমরোমদা, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ষ্টেট অসিগী সামলি দিষ্ট্রিক্টতা বম্বুলা থাবগা মরী লৈননা মীওই কাঙবু অনীগী মরক্তা খৎনচৈনবা থোকপদগী মীওই অমা শিরে অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক-অপন নংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী শিবা লোকেলিটিদা গ্রুপশিং অদুনা অমগা অমগা নুঙনা থানবনচিংবা তৌদুনা খূৎ থোক্লখি। সঞ্জিভ সাইনি অমসুং রাহুল থৌদোক অদুদা শোকখি অমসুং হোস্পিটালদা পুখৎখিবদা সাইনি মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

'লম লৌশিল্লগা কম্পেন্সেসন পীদবা য়ারোই'

প্রয়গরাজ, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী লম লৌশিল্লগা মদুগী কম্পেন্সেসন পীদবা হায়বসি য়ারোই হায়না এলাহবাদ হায় কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোর্ট অসিনা উত্তর প্রদেশকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী এদিসনল চীফ সেক্রেটরিশিংদগী পর্সনল এফিদেভিটশিং কৌখ্রে। জীট নরায়ন য়াদবঅমসুং অতৈ মীওই অনীনা ফাইল তৌখিবা পিটিসনশিং হীয়ারিং তৌখিবা চীফ জষ্টিস রাজেশ বিন্দাল অমসুং জষ্টিস পিয়ুশ অগ্রৱালগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা মথং হীয়ারিংগী তারিখ দিসেম্বর ৩দা ফিক্স তৌখি।

পিটিস্নর অহুম্মক্না মখোয়গী সবমিসনশিংদা গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী লমশিং লৌশিনখ্রগা কম্পেন্সেসন পীবিদ্রে হায়খি। কোর্টনা সবমিসন অদু হকচিন্না লৌরদুনা লম লৌরগা মদুগী কম্পেন্সেসন পীদবগী কেসশিং কোর্ট অসিনা তোয়না হীয়ারিং তৌদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্ট্যুদেন্টস ক্রেদিট কার্দ স্কিম কয়ানা মহৈরোয় লিশিং কয়াদা কান্নবা পীরি



কোলকটা, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইষ্ট বুরদৱান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খান্দাঘোস ব্লোকতা মার্জিনেল লৌমী অমগী মচানুপা অমা ওইরিবা প্রিতম রোই হৌজিক বুরদৱান মেদিকেল কোলেজদা এম বি বি এস তৌরি।

থা অমদা শুপ্পগী লুপা ৮,০০০ তমক তানবা ঙম্বা ইমুংদা পোকপা প্রিতম্না মঙজরকখিবা দোক্টর অমা ওইবগী মঙ অদু চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লোঞ্চ তৌখিবা ষ্ট্যুদেন্টস ক্রেদিট কার্দ (এস এস সী) স্কিম লৈরমদ্রবদি কৈদৌঙৈদসু মঙফাওনরল্লোই। প্রিতমদা ইন্টরেষ্ট য়াওদবা লোন ওইনা লুপা লাক্ষ ২.৫ সেঙ্কসন তৌখি অমসুং মদুনা মহাকপু লাইরিক অমদি লেপটোপ অমা লৈবা ঙমহনখি। মসিমক ইষ্ট বুরদৱান দিষ্ট্রিক্টকী কটৱা ব্লোকতা লৈবা মিজানুর রহমন মালিকতসু থোকখি।

লৌমী অমগী মচা ওইবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী থাগী ইনকম লুপা ৫,০০০ দগী হেনখিদে। ফিভম অসিদা মিজানুরনা লেমজনিংঙাই ওইরবা জদাভপুর য়ুনিভর্সিটিদা এঞ্জিনীয়ারিং তম্নবা মঙজরকখিবা মঙ অদু এস এস সী স্কিম অসি লৈরমদ্রবদি মঙফাওনরল্লোই। স্কিম অসিনা লায়রবা মহৈরোয় অসিবু কম্প্যুটর সাইন্টিষ্ট অমা ওইরক্লবগী মঙলানগা লোয়ননা মহৈ তম্বা ঙনহনখি। প্রিতম অমসুং মিজানুরদা নত্তনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ইন্টরেষ্ট য়াওদবা লোন স্কিমনা কান্নবা পীবা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয় লিশিং কয়া লৈরি। স্কিম অসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না মখা তানা অৱাংবা থাক্তা মহৈ তমথবা ঙল্লি।

চহী অসিগী মে থাদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা অহুল্লকশুবা ওইনা লৈঙাক্কী পাৱর পায়রক্লবা মতুংদা লাউথোকখিবা স্কিম অসিনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংবু মখা তানা মহৈ তম্নগা মরী লৈনবা মখোয়গী অপাম্বশিং থুংহনবদা চাওনা মতেং পাংলি। স্কিম অসিগী মহৈরোয়শিংবু সেকেন্দরি, হায়র সেকেন্দরি, মদ্রাসা, অন্দরগ্রেজুএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএট ষ্টদিশিং তম্নবদা সপোর্ট পীনবা মওংদা পুথোকপনি।

মহৈরোয়শিংনা স্কিম অসিগী মতেংগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অমদি মপানগী স্কুলশিং, মদ্রাসা, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি অমসুং অতৈ এফিলিএট তৌবা ইন্সটিট্যুটশিংদা প্রোফেসনেল দিগ্রী অমসুং অতৈ মান্নবা কোর্সশিং য়াওনা মখা তাবা ষ্টদিশিং চত্থবা ঙমহল্লি।

ষ্টেট ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী দেটা মতুং ইন্না জুনদা স্কিম অসি লাউথোক্লবা মতুং হৌখিবা থা তরুক্কী মতম অসিদা মহৈরোয় লাখ অমা হেনবনা এপ্লায় তৌবদা মহৈরোয় ১,৭৪৮ স্কিম অসিগী মখাদা লোন ফংখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ৫৪.৩৯ সেঙ্কসন তৌখ্রে।

ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়, শেনফম অসি হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী য়াম্না হেল্লক্কনি। স্কিম অসি অনৌবনি অমসুং মহৈরোয়শিংনা প্রোপর ওইবা মওংদা এপ্লায় তৌবা ইঙম ঙম্নদ্রি। মহৈরোয়শিংনা মওং-মরিল তানবা এপ্লায় তৌবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয়না মেন্যুএল অমা অপলোদ তৌরে। স্কিম অসিগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২০০০ হেনবগী শেনফম এল্লোকেট তৌরে অমসুং মদুনা জেন্যুইন এপ্লিকান্টশিং লোন অসি শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি মীখলগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা পার্টি অসিগী মেনিফেষ্টোদা মহৈরোয়শিংদা স্পেসল লোনশিং পীগনি হায়না ৱাশকখিবনি। এঞ্জিনীয়ারিং, মেদিকেল, লো, আই এ এস, আই পি এস, দব্লিয়ু বি এসনচিংবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিটিভ ইগজামিনেসনশিং থানবা তোঙানবা তোঙানবা কোচিং ইন্সটিট্যুসনশিংদা ষ্টদি তৌরিবা মহৈরোয়শিংনসু স্কিম অসিগী মখাদা লোন লৌবা য়াগনি হায়রি।

কানপুরদা অনৌবা জিকা ভাইরস কেস ২৫ থেংনরে

কানপুর, নভেম্বর ০৪ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী কানপুরদা ইনৌ নৌনা মীওই ২৫ জিকা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা সিটি অসি হৌজিক ভাইরস অসিগী হোটস্পোট অমা ওইরক্লি। অনৌবা কেসশিং অসিগা লোয়ননা হৌজিক সিটি অসিগী জিকা ভাইরস কেস ৩৬ শুরে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা হেল্থ ওফিসলশিংগা লোয়ননা ইমর্জেন্সি মীটিং অমা পাঙথোকখিবা কানপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ভিসাল জি আইয়রনা হায়, পেসেন্ট ২৫মক্কী ফিভম ষ্টেবল ওইনা লৈ। অদুনা থোইদোক্না মীপাইনিংঙাই ওইদে। অনৌবা পেসেন্ট পূম্নমক হোম আইলেসন তৌদুনা লৈ অমসুং স্পেসল টিমশিংনা মখোয়গী হকচাংগী ফিভম মোনিটর তৌগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাঙগী কেসশিংগী মরক্তগী পেসেন্ট অমা হোম আইসোলেসন তৌরম্বদগী কান্সিরাম ট্রোমা সেন্টরদা হোংজিনখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা জিকা ভাইরস কেসশিং অদু কানপুরগী সিভিলিয়নশিং অমদি সিটি অসিগী চাকেরিদা লৈবা আর্মিদগী রিপোর্ট তৌরকখিবনি।

এরিয়া অদুগী কিলোমিটর ৩০না কোনবা মফমশিংদা এলর্ট লাউথোকখিবগা লোয়ননা অচৌবা ভেক্টর কন্ট্রোল ড্রাইভ অমা হৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায়, ঐহাক্না এরিয়া অদুগী মীওই পূম্নমক্তা মখোয়গী য়ূম নৎত্রগা অকোয়বদা কাঙ মচা পোকশিনবা য়াবা মওংদা ঈশিং তুংদুনা লৈহন্দনবা আপীল তৌরি।

ফোগিং এক্সরসাইজ অমসুং সেম্পল কলেক্সনগী থবক কন্না চথরি। লায়না অসি লাকশিনবা ঙম্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না অমগা অমগা কোওপরেসন পীনগদবনি।

জিকা ভাইরসকী অহানবা কেস অদু হৌখিবা ওক্টোবর ২৩দা চাকেরিগী পাদদেৱানপুরৱাদগী রিপোর্ট তৌরকখি। মফম অসিদা লৈবা মশাগী চহী ৫৭ শুরবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওফিসর অমা টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরম্বনি। মহাক এয়র ফোর্স হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। মফম অদুগী দোক্টরশিংনা মহাক্কী ফিভম ষ্টেবল ওইরে হায়রকখিবনি।

নুংঙাই য়াইফবা মরুপ

সেগা রোদ, খ্বাইরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল

ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা

ইম্ফাল, তাং ৪/১১/২০২১ ইং

নুংঙাই-য়াইফবা মরুপ অসিগী মেম্বর অমা ওইবিরম্বা সেগা রোদ, জেলর লৈরক্কী শ্রীমতি সোইবম নিংঙোল অসেম ওংবী ইবেনি দেবীনা হৌখিবা তাং ১/১১/২০২১ ইং, মেরাগী ২৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদবদা মরুপকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর খুদিংমক্না মীফম পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **এম ইবোমচা সিংহ,**
জেনরেল সেক্রেটরি, নুংঙাই-য়াইফবা মরুপ,
সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

HL-P/0571/5